**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-02-2025)**

**সনাজাউবা(এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবা লৈশেম্বনা রাজ্য অসিগী খুঙ্গংগী লমদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) হোস্পিতাল লিংখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না সংসদকী মীফমদা পুখৎখ্রে।

রাজ্য সভাদা ঙরাং ৱাফম অসি পুখৎলদুনা শ্রী সনাজাউবনা হায়-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এইমস হোস্পিতাল ২৫ লিংখৎখিবা অসিমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকার অসিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা অচৌবা মায় পাকপা অমনি।

মহাকা হায়-মীওই কোতি ১৪০ রোম লৈরিবা লৈবাক অসিগী হকশেলগী লমদা তঙাইফদবশিং অদু ফংহনবা ঙমবগীদমক এইমস হোস্পিতালশিং অতৈ মফম কয়াদসু হাংদোক্কুনা মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবা তাই। শ্রী সনাজাউবনা হায়-রাজ্য অসিগী মীশিংগা য়েংনবদা হৌজিক লৈরিবা মেদিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসিদা অৱাৎপা কয়া লৈরি। মহাকা হায়-এইমসগুম্বা ইন্সটিট্যুট অমা থমদুনা মদুদা রিফরেল হোস্পিতাল ওইদুনা কেন্সর অমদি অতৈ অরুবা লায়না কয়া লায়েংবদসু হেন্না খুদোংচাহনগনি।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা আই.ভি.আর. রোডকী চিংখোঙদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, স্লিং বেরেল গন অহুম, পিষ্টোল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, টিয়ার গ্যাস সেল অনিনচিংবা য়াওরি। ফারবা খুৎলায়শিং অদু নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুর বেপটিস কনভেন্সন (এম.বি.সি) গী নুমিৎ মরিনি চথুগদবা ক্যুইনকুইনিয়েল কংগ্রেস ঙরাং নুমিদাংদগী চান্দেল জিলাগী অংচাং গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

অনাল নাগা বেপটিস এসোসিয়েসননা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা কংগ্রেস অসিদা এম.বি.সিগী মখাদা লৈবা এসোসিয়েসন ৩০ রোমগী মীওই লিশিং অনি হেনবনা দিলিগেট ওইনা থৌরম অসিদা শরুক য়ারি।

**দিল্লিঃ** দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোট মশিং, হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং অয়ুক পুং ৮ দগী থিবা হৌরগনি।

মসিগীদমক জিলা ১১ গী কাউন্টিং সেন্টর ১৯ দা শেম শাবা লোয়রে। দিল্লি বিধান সভাগী মীখলগী ভোট হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থাদনখিবনি। মীখল অসিদা মরুওইনা বি.জে.পি, আম আদমি পার্টি অমসুং কংগ্রেসকী পুন্না মীরেপ ৬৯৯ না লম্বা তৌনরি।

**স্কিলঃ** সরকারনা ২০২২-২৩ দগী ২০২৫-২৬ ফাওবগী ওইনা স্কিল ইন্দিয়া প্রোগ্রামগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৮,৮০০ কায়থোকপা য়ারে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-দরকার লৈবা স্কিল দিবলপমেন্টকী লমদা সরকার অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি অমসুং মসিদা পোৎথোকশিংগী মগুন হেনগৎহন্নবসু হোৎনরি।

প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনা ফোর পোইন্ট জিরো, প্রধান মন্ত্রি নেসনেল এপ্রেটিসশিপ প্রমোসন স্কিম অমসুং জন্ন শিক্সন সংস্থান স্কিমশিং অসি হৌজিক্তি স্কিল ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী কম্পোজিৎ সেন্ত্রেল সেক্তর স্কিমগী মখাদা অমত্তা ওইনা পুনশিল্লে।

শ্রী বৈসনোনা মখা তানা হায়-সফাই কর্ম্মচারিশিংগী নেসনেল কম্মিসনগী

মতমসু চহি অহুম অমগা অমুক শাংদোক্তুনা ২০২৮ গী মার্চ ৩১ ফাওবা লৈহল্লগনি। মসিনা সেনিটেসন ৱাকরশিংগী সমাজিক অমদি শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎহল্লগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, মথং চয়োলদা ফ্রান্স অমসুং আমেরিকাদা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি লৈবাকশিং অসিগা ভারতকা শেল থুম অমদি টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবগী থবক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদনি।

শ্রী মোদিনা থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা ফ্রান্সতা চৎকনি। ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-ইমান্যুয়েল মেক্রোননা বার্ত্তন তৌরকপদগী মহাক ফ্রান্সতা চৎপনি। থা অসিগী ১২ দা শ্রী মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা আমেরিকাদা থুংগনি। মহাকা আমেরিকাগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা উন্নবতা নত্তনা লল্লোন ইতিক্কী লুচিংবশিং অমদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নগনি।

**বিমস্তেকঃ** নুমিৎ নিনি চৎথগদবা বিমস্তেক্কী দিজিটেল কনক্লেপ ঙরাংদগী কলম্বোদা হৌখ্রে। পুন্না চাউখৎমীন্ননবগীদমক দিজিটেল পাব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা হায়বা থিমদা পাঙথোকপা মীফম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রীলঙ্কাদা লৈবা ভারতকী হায় কম্মিস্নার-সন্তোস ঝা, বিমস্তেক্কী সেক্রেটরি জেনরেল-ইন্দ্রমনি পান্দে অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা দিজিটেল ইকোনোমিগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা খন্ন-নৈনগনি।

**গেমসঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী নুপাগী ফুটবোলদা কেরলানা উত্তরাখন্দবু ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখ্রে।

মনিপুরনা ঙরাং আর্চারিদা সনাগী তকমান অমা, লুপাগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংখি।

গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী ১২, লুপাগী ১১, শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৩৬ ফংদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি।

সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্ডনা সনাগী ৩৮, লুপাগী ১৩ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না পুন্না তকমান ৬৪ ফংদুনা অহানবদা, অদুগা

করনাতক্কানা সনাগী ৩০, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৫৭ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাষ্ট্রনা সনাগী ২১, লুপাগী ৩৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪০ পুন্না তকমান ৯৯ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

**গেমসঃ** ৯ শুবা এসিয়ান ৱিন্টর গেমস ঙরাংদগী চিনাগী হৈলোংজিয়াং প্রোভিন্সকী অৱাং নোংপোক থংবদা লৈবা কেপিটেল সিটি-হারবিনদা হৌখ্রে।

চাইনাগী রাস্ত্রপতি-সি.জিনপিংনা ঙরাং নুমিদাং গেমস অদু হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি। গেমস অসি থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথগনি। মসিদা লৈবাক ৩৪ না শরুক য়ারি। ভারতকীসু মীওই ৮৮ না শাবা কাংবু অমা গেমস অসিদা শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা মরুওইবা পাউ খরা পনবা তারবদি-স্পিকরগী ত্রাইবুনেলনা জে.দি (য়ু) গী এম.এল.এ. মঙাগী ফইনেল হিয়ারিং চথদুনা জজমেন্ট রিজার্ব তৌখিবা, ঙসি এম.এল.এ. তরুক্কী হিয়ারিং চথদৌরি অমদি মনিপুরগী খুঙ্গংগী লমদা এহমস হোস্পিতাল লিংখৎনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা ওইরি।

সঙই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-বি.জে.পিদা য়াওখিবা এম.এল.এ. মঙাগী ফাইনেল হিয়ারিং, জজমেন্ট রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা

অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা জে.দি (য়ু) গী এম.এল.এ. মঙাগী ফাইনেল হিয়ারিং চথদুনা জজমেন্ট রিজার্ব তৌখ্রে, এম.এল.এ. মঙাগী মরাইবক স্পিকরগী খুৎতা লৈখ্রে, করি ওইরক্কদগে খঙবা ঙমদ্রি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-কংগ্রেসনা মতম অমদা হেক্তমক নো-কনফিদেন্স মোসন পুখৎলকপা য়াই হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-মনিপুরগী খুঙ্গংগী লমদা এইমস হোস্পিতাল লিংনবা এম.পি. সনাজাউবনা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মোদিনা অচুম্বা ৱাফমবু শেমদোক শাদোক্তুনা রাজ্য সভাবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে-খর্গে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-এন.পি.এফকী এম.এল.এশিং নো কনফিদেন্স মোসনগী মায়োক্তা ভোট পীগদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। এন.পি.পিগী এম.এল.এশিংগী দিসক্কালিফিকেসন কেসকী হিয়ারিং ঙসি পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমা পাউ চে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-এসেমব্লি মমাঙদরা, মনুংদরা শিরগে মখৈ অহোংবা অমা পুরকবা হোৎনরক্লে, কংগ্রেসনা মনিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা নো কনফিদেন্স মোসন থাংগৎলগনি লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-স্পিকরগী ত্রাইবুনেলনা এন.পি.পিগী এম.এল.এ.

মরিদা এন্টি দিফেক্সন কেসকা মরী লৈননা নোটিশ পীখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কাংপোকপীদা নোংমৈ পায়রগা ফুটবোল শান্নবগী ভিদিও সোসিএল মেদিয়াদা ভাইরেল চৎলে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।